# ৱর্ল্ড ৱিমেন্স বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী সরিতা অমসুং মনিসা মায় পাকখ্রে



ন্যু দেল্লি,নবেম্বর ১৬ (এজেন্সী) ঃ

ন্যু দেল্লিগী কে দি য়াদব ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী হৌখিবা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা বাউট অনীদা ইন্দিয়াগী লাইশ্রম সরিতা অমসুং মনিসা মোনা মায় পাকখ্রে।

সরিতা কিলোগ্রাম ৬০গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারকপনি। মহাক চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা ঙসি স্বিজরলেন্দগী বোক্সর সান্দ্রা দাইনা ব্রুগরগা লম্বা তৌনখি। বাউট অদু মশাগী চহী ৩৬শুরবী সরিতানা স্বিজরলেন্দগী বোক্সর অদুদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লখি।

কুমজা ২০০৬ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সরিতা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকীসু গোল্ড মেদল মরিরক লৌবা ঙমখ্রবনি। ঙসি মহাক্কী বাউট অদুদা পূন্না জজ মঙানা পোইন্ট পীবদা জজ অমনা মহাক্কী মায়োক্লবা বোক্সর অদুদা পোইন্ট ২৮-২৮ পীখি। অদুবু অতোপ্পা জজ মরি অদুনা মহাক্কী মায়কৈদা ২৯-২৮, ৩০-২৭, ২৯-২৮, ২৯-২৮ পীদুনা পূন্না স্কোর অদু ৪-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

সরিতানা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা ন্যুজিলেন্দগী বোক্সর ত্রোই গ্রাটোনগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর মনিসা মোনানা কিলোগ্রাম ৫৪গী কেটেগোরিদা ঙসি অহানবা রাউন্দদা য়ু এস একী খৃষ্টিনা ক্রুজগা থেংনখি। পনবা য়াবদি, খৃষ্টিনা ক্রুজ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবী বোক্সরনি। বোক্সর অনীগী চহী য়েংনরুবদা ইন্দিয়াগী মনিসা শুপ্পগী চহী ২০খক্তগা ঙাইরিবীনি। অমরোমদা য়ু এস একী খৃষ্টিনা মশাগী চহী ৩৬শুরবীনি।

মনিসা মোনা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন ওপন বোক্সিংদা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুগা পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা সিলেসিয়ন ৱিমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবা বোক্সর অমনি।

ঙসিগী বাউট অদুদা লৈখিবা জজ মঙামক্না মনিসাদা ২৯-২৮, ৩০-২৭, ৩০-২৬, ৩০-২৬, ২৯-২৮ পীদুনা স্কোর ৫-০দা মায় পাক্তুনা মহাকসু প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক কাজখস্তানগী হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবী দিনা ঝোলামনগা লম্বা তৌরগনি। পোলেন্দগী টুর্নামেন্ট অদুদা মনিসানা দিনাবু মায়থীবা পীরম্বনি।

## ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# কে এম টি ৱাই সী কোন্থৌজম, এস এস ৱাই সী সাইরেম, সী ৱাই দি এ চিংখুলোং, সী আর ৱাই সী চীংমৈরোং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) ঃ

জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) না শীন্দুনা থাংমৈবন্দ থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা কে এম টি ৱাই সী কোন্থৌজম, এস এস ৱাই সী সাইরেম, সী ৱাই দি এ চিংখুলোং অমসুং সী আর ৱাই সী চীংমৈরোং মায় পাকখ্রে।

টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৩৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ জিগী জি ৱাই সী গুইগাইলোং অমসুং কে এম টি ৱাই সী কোন্থৌজম মনীং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী কে এম টি ৱাই সীনা জি ৱাই সীবু লাকচরপ চৌনা শান্নখি।

অহানবা হাফকী ২০শুবা মিনটতা কে এম টি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৩ সথুইঙম গাংমৈনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা কে এম টি ৱাই সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। জি ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু কে এম টি ৱাই সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না শান্নরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে এম টি ৱাই সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু জে ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা কে এম টি ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খংলাক লাকশন্দুনা শান্নরকপা হৌরকখি। মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা কে এম টি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৯ টিচুইলুং আর পানমৈনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু কে এম টি ৱাই সীনা গোল ২-০দা লৈখি। মিনট ১০ কান্নরগা মেচকী ৫৯শুবা মিনটতা কে এম টি ৱাই সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৮ পালমৈ গিদিওননা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৩-০দা মাঙজিল থাখি।

জি ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু কে এম টি ৱাই সীনা গোল ৩ মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম য়াঙনা শান্নরকপা হৌরকখি। মেচকী ৬০শুবা মিনটতা জি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১২ দামগ্বাংলুং গাংমৈনা কে এম টি ৱাই সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু জি ৱাই সীনা গোল ১-৩দা লৈখি। জি ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা কে এম টি ৱাই সীগী মাঙজিল থারিবা অতোপ্পা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ৬০ প্লস টুদা কে এম টি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৫ সেমসন গাংমৈনা মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল চনশিল্লগা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা কে এম টি ৱাই সী কোন্থৌজম মনীংনা জি ৱাই সী গুইগাইলোংবু গোল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৩৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৪.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ঐচকী এন ৱাই সী নমথানলোং অমসুং এস এস ৱাই সী সাইরেম লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তুগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ৯শুবা মিনটতা এন ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ গোনখিনলুং দাংমৈনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

এস এস ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু এন ৱাই সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। এন ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনসু এস এস ৱাই সীনা চথুরক্লিবা এটেকশিং অদু নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস এস ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা গোল চন্নবা এটেক কয়া চথুরক্লবসু গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এন ৱাই সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এস এস ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু য়াঙনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৪৭শুবা মিনটতা এস এস ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ২৪ সী ৱিলোবোনা এন ৱাই সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোকখি। মেচকী ৬৬শুবা মিনটতা এস এস ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ পালমৈ জোনাথন্না গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস এস ৱাই সীনা এন ৱাই সীবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

৪০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ঐচকী সী ৱাই দি এ চিংখুলোং অমসুং কে ভি ৱাই সী কেক্রুভিলা শান্নখিবা মেচ অদু সী ৱাই দি এনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি। সী ৱাই দি এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ হোপসন পানমৈনা মেচকী ১১শুবা অমসুং ৫২শুবা মিনটতা গোল ২ অমদি জর্সি নম্বর ৭ দাংমৈ ইজাক্না মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা চনখিবনি।

লীগ রাউন্দ অসিগী ৪১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী অরোইবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ জিগী সী ৱাই সী চিনিকোন অমসুং সী আর ৱাই সী চীংমৈরোং শান্নখিবা মেচ অদু সী আর ৱাই সীনা গোল ৩-০দা মায় পাকখি। সী আর ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মোহম্মদ অবদুল সলাম্না মেচকী ১৪শুবা, লুঙ্গাই দাংমৈনা মেচকী ৩৮শুবা অমসুং লেভি চৱাংনা মেচকী ৬০ প্লস থ্রিদা চনখিবনি।

## থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে

# পি এস ৱাই সী ফুনালনা এফ এস সী ককচীংবু, এস এফ সী শুগুনুনা কে টি সী ককচীং মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা ঙসিদগী দি এস এ ককচীংগী শান্নবুংদা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখিবগা লোয়নননা ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা পি এস ৱাই সী ফুনালনা এফ এস সী ককচীংবু অমদি এস এফ সী শুগুনুনা কে টি সী ককচীং মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৬না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দা কে টি সী ককচীং অমসুং এস এফ সী শুগুনু শান্নখি।

মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা এস এফ সীনা কে টি সীবু য়াম্না লাকচনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৬শুবা মিনটতা এস এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৮ লেটমিন্থাং হাওকিপনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে টি সীগী মায়কৈদগী এস এফ সীগী গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চথুরবসু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী কে টি সীগী শান্নরোয়শিংনা এস এফ সীগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু এস এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নরকখিবনা কে টি সীগী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। মেচকী ৩৬শুবা মিনটতা ঙমগাওলেন হাওকিপ, ৪৪শুবা মিনটতা ৱাই মনিয়াইমা অমসুং ৬০ প্লস টুদা সোলোমোন্না গোল ৩ মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস এফ সীনা গোল ৪-০দা মায় পাকখি।

লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা পি এস ৱাই সী ফুনাল অমসুং এস এফ সী ককচীং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। লীগ মেচ অসিগী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা পি এস ৱাই সী ফুনালনা এস এফ সী ককচীংবু গোল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। পি এস ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু দি মোরিংনা মেচকী ১২শুবা, সী ঐচ এমসন্না মেচকী ১৬শুবা অমসুং এমএন্দরনা মেচকী ৩০ প্লস টুদা চনখিবনি।

## ওইনাম চার্লি মেমোরিএল কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮

# কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখূৎনা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস)ঃ

শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্লা শীন্দুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চথুরিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখূৎনা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখূৎপু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাংখূৎ ১৩না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা ওইনাম চার্লি সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চথুরকপা লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক কোন্থৌজম কেন্দ্র কাংখূৎ অমসুং য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখূৎ শান্নখি। মেচ অদু য়াইস্কুল কেন্দ্রনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি অদুগা কোন্থৌজম কেন্দ্রনা মায়কৈ খনখি। কাংখূৎ অনীনা লম্বা তৌনদুনা কাপ্লখিবা কাং অদু লোইশিল্লকপদা কোন্থৌজম কেন্দ্রনা য়াইস্কুল কেন্দ্রবু পাঞ্জল ১১-৯দা মায়থীবা পীখি। হয়েং কৈশামথোং অমসুং নম্বোল শান্নগনি।



HL-B/4987/15nov. to 13jan (alt.)

## জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অন্দর-১৭ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ হৌদোকখ্রে

# বি ঐচ এল সী সোটোবেক্রা অমসুং দোলাখাল এফ সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) ঃ খেলো ইন্দিয়া স্কিম ২০১৮-১৯গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনষ্ট্রেসন জিরিবাম্না শীন্দুনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপড়াদা লৈবা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অন্দর-১৭ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা বি ঐচ এল সী সোটোবেক্রা অমসুং দোলাখাল এফ সী টিম মায় পাকখ্রে।

টিম ৮না শরুক য়াদুনা নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্লিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট লেভেল অন্দর-১৭ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চথুরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা বি ঐচ এল সী সোটোবেক্রা অমসুং জে এফ এ জিরিবাম শান্নখি। মেচ অদু বি ঐচ এল সীনা জে এফ এবু হেক হৌরকপদগী হৌনা লাকচনা শান্নবা উখি। মেচকী ১৫শুবা মিনটতা জে এফ এগী ঐচ য়াইফবনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। বি ঐচ এল সীগী মায়কৈদগীসু মেচকী ২৩শুবা মিনটতা লালঙাইসাংনা জে এফ এগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা লৈনখি। মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা অমুক বি ঐচ এস সীগী লালফাং লিয়ান্না গোল অমগা চনশিন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ২-১দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা জে এফ এগী শান্নরোয়শিংনা বি ঐচ এল সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ৫৩শুবা মিনটতা বি ঐচ এল সীগী রামফাং লিয়ান্না মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু গোল ৩-১দা লৈখি। মেচকী ৭৪শুবা মিনটতা জে এফ এগী এল জেনিসনা বি ঐচ এল সীগী অনীশুবা গোল অদু হন্দোকখি। অদুবু মেচ অদু লোইশিল্লকপদা বি ঐচ এস সীনা গোল ৩-২দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা দোলাখাল এফ সী টিম অমসুং জে ৱাই সী টিম লম্বা তৌনখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা দোলাখাল এফ সীনা লাকশিন্না শান্নরকখিবনা মেচ অদু দোলাখাল এফ সীনা জে ৱাই সী টিমবু গোল ৭-১দা মায়থীবা পীখি।



HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

# মণিপুরগী ফ্লোরবোল টিম্না সিলভর লৌরক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) ঃ বেঙ্গালুরুদা থা অসিগী ১২দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোকখিবা স্পিসিএল ওলিম্পিক্স ভারত, নেসনল ফ্লোরবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী ফ্লোরবোল টিম্না সিলভর মেদল লৌরক্লে।

নেসনলগী থাক্তা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা স্পিসিএল ওলিম্পিক্স ভারত, নেসনল ফ্লোরবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ফাইনেলদা বিহারগী মখূৎতা মণিপুর মায়থীহৌবদগী সিলভর মেদল ফংখি। অদুগা টেলঙ্গনানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি। মণিপুরগী ফ্লোরবোল টিম অসিদা গোলকিপর ওইনা এম দি মুস্তাকি, ও রিসিকান্ত, ঐচ রামেশ্বর, এন রিসিকুমার, কে এম রোসন, এল প্রিতম, আর কে বিকেন্দ্রজিৎ অমসুং এন কিসোরচান্দনি। কোচ ওইনা এম তোম্বীমচা, এন ওজিৎ অমসুং এস কে হুহেদাহোনি।



HL-P/5694/17



HL-P/5694/17

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor; Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com